# ইন্দিয়ানা নেপালবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা এস এ এফ এফ ৱিমেন’স ফুটবোলগী ফাইনেল চঙখ্রে



সিলিগুরি, জন্যুৱারী ০৩ :
ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথুরিবা এস এ এফ এফ ৱিমেন’স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা নেপালবু য়াম্না লাকচনা তৌখিদুনা ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়ানা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ইন্দিয়াগী অহানবা গোল অদু কমালা দেবীনা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা চনখি। অতোপ্পা গোল অনী অদুনা ইন্দুমাটিনা মেচকী মিনিট ৫৮ অমদি সাস্মিটা মালিকনা মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা চনখি। নেপালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সাবিট্রা ভন্দারিনা মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা পেনালটিদা চনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদি ৱান-সাইদেদ ওইনা চথুখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌনা চৎখি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা মতাং মতম চানা হাফ থাগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরবা কান্দা কমালানা য়াম্না হৈ-শিংনা গোল চনখিদুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মখা তানা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা শান্ননবা থৌরাং তৌদুনা শান্নখি। অনীশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা বালানা পীরকখিবা অশাংবা বোল অমা ইন্দুমাটিনা ওক্লগা নেপালগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি। অরোইবা গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা চনখি। সাসমিটানা কোর্নরদগী কাওরকখিবা বোল অমা নেপালগী কোলকিপর অঞ্জিলানা ফানবা হোৎনখিবদা ঙমহৌদবদগী নেট মনুংদা চঙখিদুনা গোল ওইখি।

ইন্দিয়াগী কোচ সাজিদ দরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী মায় পাকখিবা অসি টিম এফর্টননি। টিমদা প্লেয়র অমবু অফবনি হায়না খঙ্গৎনিঙাই লৈতে। লোইনমক অফবা প্লেয়রশিংনি। গোলকিপরদগী দিফেন্দর, দিফেন্দরদগী মিদফিল্ডর, মিদফিল্ডরদগী ষ্ট্রাইকর পুম্নমক মখোয়গী থৌদাংশিং মশক খঙনা শান্নে। মসি টিম এফর্ট অদুনি হায়না দরনা পোষ্ট-মেচ প্রেস কনফরেন্সতা ফোঙদোকখি।

# চেন্নাই ওপন: তরুকশুবা সীদ বোর্না কোরিকপু ক্বালিফাইয়র চুং হয়েওনগী মখুৎতা মায়থীখ্রে



চেন্নাই, জন্যুৱারী ০৩ :
সাউথ কোরিয়াগী ক্বালিফাইয়র চুং হয়েওননা মফম অসিদা চথুরিবা চেন্নাই ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা তরুকশুবা সীদেদ অমদি মমাঙ চহীগী ফাইনেলিষ্ট বোর্না কোরিকপু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চংনা ক্বালিফাইয়িং টুর্ণামেন্টদগী ফীভম ফনা চঙশিনলকখি অমদি থাকৱাংনা লৈরিবা ক্রোটপু লাকচনা তৌখি। সাউথ কোরিয়ন অসিনা অহানবা সেটতা কোরিকপু নক্মৎনা শান্নখিদুনা ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেটতা প্লেয়র অনীমক্না ফোরহেন্দস অমদি বেকহেন্দস শান্নদুনা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা য়াদনা লৈখি। চুংনা নিংথিবা শুট খরা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা পীখিদুনা ৬-৫ দা মাঙজিল থানা লৈখি। কোরিকনা অনফোর্স্ড ইররশিং তৌখিদুনা নিংথিনা পোইন্ট লৌবা ঙমখিদে। সেট অদু চুংনা ৭-৫ দা মায় পাকখি।

হৌজিক চুংনা মথংগী মেচতা ইজরেলগী দুদি সেলাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। দুদি সেলানা বোসনিয়াগী দামির জুমহুরবু গাউন্দ ষ্ট্রোকশিং শিজিন্নদুনা ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেচশিংদা দানিল মেদভেদেভনা ব্রাজিলগী থিয়াগো মোণৈটরোবু ৬-৩, ৬-৩ অমদি বেলজিয়ম ষ্টেভ দার্সিসনা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌখিদুনা ক্রোসিয়ন ক্বালিফাইয়র নিকোলা মেকটিকপু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। ষ্টেভ দাসির্সনা অহুমশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ অলবার্ট রামোস-ভিনোলাসকা অনীশুবা রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

রেঙ্ক ৯৯ শুবদা লৈরিবা মেদভেদেভনা নিংথিনা সার্ভশিং অমদি শক্তি লৈরবা গ্রাউন্দ ষ্ট্রোকশিং তৌখি। মশাগী চহী ২০ শুরবা রসিয়ন অসিনা এস নিপান কন্দুনা মতীং থোক্না ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখিদুনা ব্রাজিলিয়নবু নক্মৎখি। মেদভেদেভনা মথংগী প্লেদা নিপানশুবা সীদেদ য়েন-হসুন লু নৎত্রগা রাদু অলবোট অনীগী মরক্তা অমগা শান্নরগনি। টোপ সীদেদ মারিন সিলিকনা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রে।

ওপন অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচতা স্লোভাকিয়াগী জোসেফ কোভালিকনা পোর্টুগালগী গাষ্টাও ইটলিয়াসপু ৬-৭ (৫), ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা দবলসকীদা ওষ্ট্রিয়াগী জর্গেন মেলজর অমদি অর্জেন্টিনাগী রেনজো ওলিভোনা জর্মনগী এন্দ্রে বেগেমেন অমদি চাইনিজ টাইপৈগী য়েন-হসুন লুবু ৪-৬, ৭-৬ (৩), ১১-৯ দা মায়থীবা পীখি।

# মিথালি রাজনা আই সি সি ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা ইন্দিয়াবু লুচিংগনি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩ :
মিথালি রাজনা কলম্বোদা ফেব্রুৱারী ৩ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা মেম্বর ১৪ না শাবা ইন্দিয়ন স্কাদপু লুচিংগনি।

ইন্দিয়ন টিমনা অরোইবা ওইনা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ টি-২০ দা শরুক য়াখি। মদুদা ইন্দিয়ানা মশক থোক্না শান্নখিদুনা টাইটল দিফেন্দ তৌখি। মখোয়গী মরু ওইবা প্লেয়র অনী হরমনপ্রীট কৌর অমদি স্মিৃটি মানধানানা ওষ্ট্রেলিয়াগী বিগ বাশতা শান্নরি।

ইন্দিয়াগী মথংগী খ্বাইদগী চাউবা ইভেন্টতি ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রনা ওইরি। মখোয়না গ্রুপ এদা তাদুনা শ্রী লঙ্কা, আইরলেন্দ, জিম্বাবৱে অমদি থাইলেন্দগা পুনমিন্নরি। গ্রুপ বিদা সাউথ অফ্রিকা, পাকিস্তান, বাংলাদেশ, স্কোটলেন্দ অমদি পি এন জিগা পুনমিন্নরি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী ক্বালিফাইয়র ওপনিংদা শ্রী লঙ্কাগা মায়োক্নদুনা ফেব্রুৱারী ৭ তা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা ৱার্ম-অপ মেচ ওইনা সাউথ অফ্রিকাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

টিমশিংনা অহানবা রাউন্দা মেচ মরি শান্নগনি অদুগা মতুং তারকপদা গ্রুপ অনীদগী টোপ টিম অহুম্না সুপর সিক্স ষ্টেজগীদমক খুমাঙ চাউশিনগনি। সুপর সিক্স ষ্টেজদা টোপ ফোর সাইদনা অতোপ্পা গ্রুপকী টিমশিংগা মায়োক্নদুনা মেচ অহুম শান্নগনি অমদি কুমজা ২০১৭ কী আই সি সি ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী টিম নিপানগী লাইন অপসু শেমগনি। অদুগা টোপতা লৈবা টিম অনীনা ফেব্রুৱারী ২১ গী ফাইনেলদা লম্বা তৌনদুনা শান্নগনি।

ৱর্ল্ড কপ অসি য়ু কেদা জুন ২৬ তগী জুলাই ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৪ না শাবা টিম মেম্বরশিং অদুদি মিথালি রাজ (কেপ্টেন), হরমনপ্রীট কৌর, স্মিৃটি মনধানা, টিরুশ কামিনি, ভেদা কৃষ্ণামুর্টি, দেভিকা ভাইদয়া, সুশমা ভর্মা (ৱিকেট-কিপর), ঝালান গোশ্বালি, শিখা পান্দে, সুকানয়া, পরিদা, পুনম যাদভ, ইক্তা বিষ্ট, রাজেশ্বরি গয়াকৱাদ, দীপটি শর্ম্মানি।

# প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ ২০১৭ : অৱাদে ৱারিয়রসনা হায়দ্রবাদ হন্টরসপু মায়থীবা পীখ্রে



হায়দ্রবাদ, জন্যুৱারী ০৩ : সাইনা নেহৱালনা মফম অসিগী গাচিবোহলি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা হৌজিক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবী কারোলিনা মারিনগী মখুৎতা মায়থীখি, অদুবু মহাক্কী সাইদ অৱাদে ৱারিয়রসনা হায়দ্রবাদ হন্টরসপু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না চঙশিল্লি।


হায়দ্রবাদনা মেন’স দবলসতা মায়থীহৌখি। অদুবু মখোয়না মারিনগী মায় পাকখিবা অদুদগী পোইন্ট অমা কখোকখিদুনা স্কোর লাইনদা ৫-০ দা লৈবা ঙমখি। নুপাগী মেন’স সিঙ্গলসতা অৱাদেগী ৱিং কিং ভিন্সেন্ট ৱোংনা মশক থোক্না শান্নরকখিদুনা মায়োক্নখিবা হায়দ্রবাদকী বি সাই প্রনীথপু মায়থীবা পীখি। হোং কোংগী রাইভেল অসিদগী রেঙ্কিংদা মখা তানা লৈরিবা সাই প্রনীথনা মতীং থোক্না লম্বা তৌদুনা শান্নরকখিদুনা অহানবা গেম অদু মায় পাকখি।

সাই প্রনীথনা হৌজিক ৩৬ শুবা রেঙ্কদা লৈরি। অদুগা ৱোংনা রেঙ্ক ১৭শুবদা লৈরি। অনীশুবা গেমদা ৱোংনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ১১-৬ তা মায় পাকখি। অহুমশুবা গেমদা শট্লর অনীনা অমনা অমগী মফমদা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নরকখি। অদুবু ৱোংনা অরোইবদা ১৩-১১ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেচতা সাইনা অমদি মারিন অনীনা শান্নখি। মশাগী অশোকপা লৈখিবদগী হন্দক্তা ফগাৎলকখিবী সাইনানা অহানবা ফংখিবা গেমদা অকনবা মওংদা শান্নখি অমদি মায়োক্নখিবা লম্বাগা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নখি। মারিননা অহানবা গেম অদু ১৫-১৪ দা মায় পাকখি অমদি অনীশুবা গেম অদুনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

অনীশুবা গেমদা সাইনানা স্পানিয়ার্দকী মায়কৈদা শান্নরকখিদুনা মায়োক্নবা লম্বাবু থিংনবা হোৎনরকখ্রবসু ঙমখিদে। রিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখিবী অমদি মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী মারিননা অনীশুবা গেম অদু ১১-৫ দা মায় পাকখি।

# পি দব্লিয়ু এল টু : হরিয়ানা হাম্মর্সনা মুম্বাই মহারাথিবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা কেম্প্যেন হৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩ :
হরিয়ানা হাম্মর্সনা মশক থোক্না শান্নখিদুনা মফম অসিদা চথুরিবা অনীশুবা এদিসনগী প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) কী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মুম্বাই মহারাথিবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না কেম্প্যেন হৌখ্রে।

হরিয়ানাগী রাজনীশ (কেজি ৬৫), অব্দুসলাম গাদিসোভ (কেজি ৯৭), জব্রায়ীল হসানোভ (কেজি ৭৪), সোফিয়া মাটসন (নুপীগী কেজি ৫৩) অমদি মার্ৱা অগ্রি (নুপীগী কেজি ৫৮) না মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখি। অদুগা স্কিপর ইরিকা ৱীব (নুপীগী কেজি ৭৫) অমদি প্রোমিজিং য়ং ষ্টার রাহুল অৱারে (কেজি ৫৭) না মুম্বাইগী কন্সোলেসন রেষ্টলর ওইখি।

লীগ অসিগী অহৌবা সিজনগী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবা অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখি অমদি হরিয়ানানা লমন খুন্বা ওইনা মায়থীবা পীখি। হৌদোকপা নুমিৎকী মশক থোক্লবা কন্টেষ্টতা হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গাদিসোভ অমদি মুম্বাইগী হান্নগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন পাভ্লো ওলিনিকনা কেজি ৯৭ কী দিভিজনদা শান্নখিবা অদুনা ওইখি।

গাদিসোভনা অহানবা পেরিওদতা ২-০ দা মাঙজিল থানা চঙখি। রসিয়ন অসিনা সেকেন্দ রাউন্দদসু নিংথিনা শান্নখিদুনা দোমিনেট তৌনা চৎখি। মহাক্না অনীশুবা পেরিওদতা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিদুনা মাঙজিল থানা চৎপদা মতেং ওইখি।

পাভ্লোনা বাউট অদুবু নক্মৎননবা মতীং লৈনা শান্নরকখি। অদুবু গাদিসোভপু নক্মৎপদি ঙমখিদে। গাদিসোভনা ৬-০ দা মায় পাকখি।

অঙনবা শরুক্তা শান্নখিবা মেচতা হরিয়ানাগী রজনীশনা মুম্বাইগী ভিকাসপু ওপনিং বাউটকী কন্টেষ্টতা ৭-২ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৬৫ গী বাউট অদুদা ভিকাসনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থানা চৎখি। মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্টপু ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু রজনীশনা অথেংবদা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা পেরিওদতা রজনীশনা বাউট অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। হরিয়ানাগী গ্রেপ্লর অসিনা পোইন্ট অনী কাউন্টর এটেক্তা লৌবা ঙমখিদুনা তুংহন্না য়েংলমদনা চঙশিনখি।

হৌজিক ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইরিকা ৱীবনা হরিয়ানাগী কিরনবু ১৬-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মুম্বাইবু মাঙলোমদা চিংখৎখি। সোফিয়া মাটসন অমদি মারৱা অগ্রিনা মখোয়গী বাউটশিং মায় পাক্তুনা চঙশিনখিবা অদুগী মখা তারকপদা গাদিসোভনা অহেনবা পোইন্ট লৌখিদুনা হরিয়ানাবু মাঙদা পুখৎলকখিদুনা ৪-১ দা মাঙজিল থাখি।

রাহুল অৱারেনা কেজি ৫৭ কী কেটগোরিদা সন্দীপ টোমারবু মায়থীবা পীদুনা মুম্বাইগী ফেনশিংবু হরাউ মথোই কাহনখি। গ্রেপ্লর অনীনা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নখিবা বাউট অদুদা অৱারেনা সেকেন্দ রাউন্দদা মশক থোক্না শান্নখিদুনা পোইন্ট ১৪ লৌবা ঙমখিদুনা বাউট অদু দ্রামাটিক ওইনা মায় পাকখি।

কেজি ৭৪ গী কাওলুপ্তা মুম্বাইগী অজরবাইজানিয়ন রেষ্টলর জব্রায়ীল হাসানোভনা রাউন্দ ৱান লোইখিবা ফাওবদা সুমীট সেহরাৱাটতগী ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখাতারকপদা বাউট অদু জব্রায়ীল হাসানোভনা পৱারফুল ওইনা শান্নরকখিদুনা সেহরাৱাটপু টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা ১৫-০ দা মিনিট ৩ গা সেকেন্দ ৪৬ চঙনা শান্নখিবা বাউট অদুদা মায়থীবা পীখি।

# বি সি সি আইগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌ পুনবা এদমিনিষ্ট্রেটরগী কম্মিটি শেম্লগনি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩ :
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুর অমসুং সেক্রেটরি অজে শির্কেবু সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়না পায়রিবা ফমশিংদগী লৌথোকখিবগা লোয়ননা বোর্দ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌ পুনবা এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী কম্মিটি অমা শেম্নবা খঙহনখ্রে।

চীফ জষ্টিস টি এস থাকুর অমদি জষ্টিস এ এম খানৱিশ্বর অমদি দি ৱাই চন্দ্রচুরনা শাবা বেঞ্চ অদুনা বি সি সি আইগী মকোক থোংবা ওফিসল অনী লৌথোকখিবদা নত্তনা বোর্দকী প্রসিদেন্টদা মহাক্না মচিন থিখিবগীদমক ক্রিমিনেল প্রোজিক্যুসন অমদি সুপ্রিম কোর্টকী কন্টেম্প ওফ প্রোসিদিংস মায়োক্ন রোইদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা নোটিস পীদুনা মদুগী পাউখুম পীরক্নবসু খঙহনখি হায়রি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী হায় পৱার কাউন্সিলদা কমট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সি এ জি) না খনবা নোমিনিশিং য়াওহন্নবা জষ্টিস আর এম লোধা কম্মিটিনা পুখৎখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ১৮ দা পীখিবা য়াথং অমবু করিশু ৱাওই থওইদনা অনুরাগনা শাসঙ্ক মনোহরদা চেরোল অমা ইবীনবা হায়জখি হায়না মরাল শীখি। জষ্টিস চন্দ্রচুরনা পীখিবা য়াথং অদু জষ্টিস লোধা কম্মিটিনা রিকম্মেন্দ তৌখিবা পুম্নমক শৌগৎখি।

সুপ্রিম কোর্টনা বি সি সি আইগী এদমিনিষ্ট্রেসন মথৌ তৌহন্নবা এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগী কম্মিটি অমা শেম্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা সেনিয়র এদভোকেট ফালি নারিমন অমদি সেনিয়র এদভোকেট গোপাল সুব্রমনিয়মবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই অমদি কম্মিটিবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌবা ঙমগদবা মীওই থিনবগী মতেং নিখি। কম্মিটি অসি শেমদ্রিবা ফাওবদি বি সি সি আইগী খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরবা ভাইস প্রসিদেন্টনা বোদ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইহল্লগা জোইন্ট সেক্রেটরিনা সেক্রেটরিগী থৌ পুনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

অনুরাগ থাকুর অমদি শির্কে য়াওদনা লোধা কম্মিটিনা খুদক্তা ফম থাদোক্নবা রিকম্মেন্দ তৌখিবশিংগী মনুং চন্দবা মীওইশিংদি মখা তানা বোর্দকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা অমদুমক য়াওনবসু ৱারেপ লৌবদা য়াওখি হায়রি। কম্মিটি অসি শেম্লবদি লোধা কম্মিটিগী মথৌ অসি পুম্নমক্কী য়াইফনবা মওংদা পোলিসী প্রোগ্রাম শেম্বনা ওইগনি অদুগা এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা লোধা কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা থবক তৌগনি। সুপ্রিম কোর্টনা মথংগী হিয়ারিং জন্যুৱারী ১৯ দা পাঙথোক্নবা লাউথোকখি।


**ADVANCED COACHING INSTITUTE** Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
*Only 25 Seats per class (each section)*
*Max. no. of selection every year in min. no. of intakes*
**REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)**
COHSEM | CBSE
*The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts*
Sc. & ARTS — ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII — TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM — ARTS & Sc.
*Class xii Sc./Arts (COSEM) 22nd Dec. 2016* | *Class xii Sc./Arts(CBSE) 22nd Dec.* | *Class x-SA II 21st Dec.*
*Special Revision X & foundation Course for ix, x*
*Early morning batch 6am to 10am (25 seats)* | *Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm* | *Early evening batch 3pm to 7pm (25 seats)*
*Fee concession for merit students, ex-students, OBCs, ST, SC, distance students*
Separated boys, girls hostel, van service library facility #7308911167/9862992105
*starting from 21st, 23rd Dec.*
HL-B/347/29 N, 1-31 D, 2-16 Jan. 17 (Ad)

**ANGELS' COACHING CENTRE** ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
**ADMISSION OPEN** - REVISION COURSE FOR CLASS X  Starts: 15th Dec. 2016  Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X  Starts: 22nd Dec. 2016  Limited Seat




Felicitation of Toppers of HSLCE 2016
BOARDING FOR BOYS & GIRLS  VAN SERVICE AVAILABLE
Contact : 9856988840, 9402897710, 8732022342
HL-B/344/6/12-6/01